# সি সি মিট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা জে এস ৱাই সিনা এম পি এস সিবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পুন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চূড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জে এস ৱাই সি মায় পাক্কুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এম পি এস সি অমদি জে এস ৱাই সিগা শান্নখিবা মেটচতা জে এস ৱাই সিনা এম পি এস সিবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এম পি এস সিনা বোল য়াঙনা শান্নরকপনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ২৪ ঙামখোলেননা গোল চন দুনা একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা জে এস ৱাই সিনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন দুনা শান্নরক্কুনা মেটচকী মিনিট ২৪ চৎপদা টিমসিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৯ কাইওখোকাম জিনা গোল হন্দোক্কুনা ১-১ দা মান্না লৈন্নখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন দুনা অমনা অমদা এটেক তৌন্নদুনা শান্নরকখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা লম্বা মান্নখিবনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদে। অদুবু অহানবা হাল্ফকী মিনিট লোয়রমদাই ৪১ চৎপদা জে এস ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৯ কাইওখোকাম জিনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা অমনা অমদা এটেক কয়া তৌন্দুনা শান্নখি। এটেকশিং অদু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা হৈ শীংনা শান্নরকপনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নাখিদে।

অদুবু এম পি এস সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১২ ৱিসিবৌনা মেটচকী মিনিট ৬৭ চৎপদা গোল অমা চনশিন দুনা ২-২ দা মান্না লৈন্নখি। অদুবু থংন্নবা মিনিটতা জে এস ৱাই সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৬ পাওজৌথাংলহৌভুমনা গোল অমা হাপচিন্দুনা ৩-২ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবা এম পি এস সিনা শোথরিবা গোল অদু হনে দাকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি জে এস ৱাই সিগী মখুৎতা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা এম পি এস সিগগী জর্সি নম্বর ২২ পৌলিমৈ অমদি জে এস ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৫ লুনমিথাং ঐচ, সাইখোলেন কিপজেন অমসুং লেনবোইলুন কিপজেনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল য়াইমা, এস ঐচ সুরেস, এস ওনিল অমদি কে ঐচ কিরনজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# জপানগী কেন্টো মোমোটনা চহী অসিদা টাইতল ১১ লৌবা ঙমখ্রে



টোকিয়ো, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সি)ঃ হৌখিবা থা ১২ অসিগী মনুংদা জপানগী বেদমিন্টন শান্নরোই কেন্টো মোমোটানা টাইতল ১১ লৌবা ঙমদুনা মহাক্কী কেরিয়র অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা চহী অমা ওইবতা নৎত্রনা জপানগী ইহান হানবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিঙ্গলসকী টাইতল লৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইখ্রে।

শান্নরোই অসি হৌখিবা চহী ২০১৬ দা গেমব্লিং তৌরম্বগীদমক দেবমিন্টন মশান্নদগী মতম খরা বেন্দ তৌদুনা লৈরুবনি। অদুবু চৎলিবা চহী ২০১৯ অসিদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ , এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ওল ইংলেণ্ড ওপন য়াওনা তোঙান তোঙানবা টাইতল ১১ লৌবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৫ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোই অসিনা হন্দক্কী চহী অসিদা লৌরিবা টাইতল অসি মলেমদা টেন্নিস মশান্ন অসিদা মমিং লৈরবা মলেসিয়াগী লী চোঙ ৱৈ অমদি চিনাগী গ্রেট লীন দাননা ফাওবা ঙমখিদ্রিবনি। মোমোটানা চহী অসিদা মেটচ ৭৩ শান্নখিবগী মনুংদা মেটচ ৬ খক্তমক মায়থিবা নঙখি। লোয়ননা অসিগুম্বা মহাক্কী প্রফোমেন্স অসিদা মশামকসু অঙকপা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাঙদা মোমোটানা হায়, মালেসিয়াগী লী চোঙ ৱৈনা ২০১০ দা টাইতল ১০ লৌদুনা মলেমদা চহী অমদা টাইতল খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেদমিন্টন শান্নরোই ওইদুনা লাখিবনি অদুবু হন্দক্কী চহী অসিদা ঐহাক্না টাইতল ১১ লৌবা ঙমদুনা রের্কোদ থুগায়বা ঙম্বা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই।

মখা তানসু মসিদগী হেনবা প্রফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। মথংগী চহীদা টোকিয়োদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক অসিদা মোমোটাগী হৌজিক লৈরিবা ফোম অসিদা লেঙদনা লৈরবদি শোয়দনা ওলিম্পিককী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমগনি হায়না মীয়াম্না পান্নরি।

মহাক্কী মথক্তা২০১৬ তা লৈখিবা বেন্দ অদুনা মরম ওইদুনা মহাক ২০১৬গী রিও-ওলিম্পিকতা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। মোমোটাগী চীফ কোচ ওইরিবা ষ্টিন পিটরসননা হায়, মোমোটা অসি য়াম্নো মপুং ফাবা শান্নরোই অমনি। মহাক শান্নবা অসিদা য়াম্না থৱাই য়াওবতানৎত্রনা পীথোরকপা মগুন কয়া অমা য়াওই। মহাক্কী মশান্নাদা অশোয়বা খরা খজিক্তুং লৈরি। মসি মপুং ফানা শেমদোকপা ঙমখ্রবদি মলেমদা মহাকপু নমথবিনবা শান্নরোই লৈরোই হায়খি।

ওলিম্পিক গেমস অসিসু থা ৬ খক্তা ঙাওরবা মতম অসিদা জপানগী মীয়াম্না মোমোটাগী মফম থল্লিবা থজবা অসি মাঙহদনবা মহাক হৌজিক অকনবা মওংদা প্রাক্টিস তৌরি। মহাক শোয়দনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমগনি হায়বগী থজবা লৈ হায়খি।

# মাধোপ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস দব্লিউ সি খোঙমন অমদি কে এস দি সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৭ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্কুনা ৱাই দব্লিউ সি প্লে গ্রাউন্দ থম্বালখোংদা কোইজম মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস দব্লিউ সি খোঙমন অমদি কে এস দি সি খোঙমিদোক গোল ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লীগ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা টিম অনীনা গোল চন্নবা হোৎন্দুনা এটেক কয়া তৌন্নখি। এটেকশিং অদু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা মথৌ খঙনা শান্নরকপনা গোলদা ওন্থোকহন্দনা লৈখি।

টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেন্সিলক্কুনা অনৌবা লাঙলোন অমগা লোয়ননা খোঙজেল য়াঙনা শান্নরক্কুনা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথ্নদুনা প্রেসর কয়া পীশিন্নখি।

প্রেসরশিং অদু টিম অনীমক্কী দিফেন্দরশিংনা হৈ শিংনা শান্নরত্তুনা গোলদা অমত্তা ওন্থোকহন্দনা লৈন্নখি। নাকল অনীমক্না গোল চন্নবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু টিমশিংনা ফঙখিবা খুদোংচাবশিং অদু নীংথিনা ফিন্সিং পীবা ঙমখিদবনা গোল একাউন্ট হাঙবা ঙম্নদনা লৈখি।

অদুবু মেটচকী মিনিট লোয়রমদাই ৪০ চৎপদা কে এস দি সিগগী জর্সি নম্বর ২৪ ৱাসিম খাননা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এস দব্লিউ সিগী এক্সপ্রিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফতা লৈখিবা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেন্সিলক্কুনা শান্নবা হৌরকখি।

শোথরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোরক্কুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৪২ চৎপদা গোল হনে দাক্কুনা ১-১ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা য়াওখি।

মেটচ অসি থোয়ন্নবা হোৎন দুনা অকনবা মওংদা শান্নরকখি অদুবু টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা ৱাই দব্লিউ সি প্লে গ্রাউন্দ থম্বালখোংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিঙশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙমদনা লৈন্নখিবনা মেটচ অসি ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাই হেমন্ত, ৱাই ইঙোবী, টি প্রেমজিৎ অমদি এল রাজানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# টি ঐচ রধামনি নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা পি এফ সিনা ইচেল ক্লব দিবোংবু মায়থিবা পীখ্রে



জিরিবাম, দিসেম্বর ১৬ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন এ জে এস এনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা ১৭ শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি এফ সিনা ইচেল ক্লব দিবোংবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মথংগী মেটচতা জে ৱাই সি জাইরোলপোকপী অমদি ইচেল ক্লব দিবোংগা শান্নগনি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা ইচেল ক্লব দিবোংনা তোস ঙমদুনা বোল কাওবা হৌখি অদুগা পি এফ সিনা সাইদ খনখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা পি এফ সিনা বোল হেন্না পায়রগা ইচেল ক্লব দিবোংবু লাকশিন্না শান্নরকখি।

মসিগী মহৈ ওইনা মেটচকী মিনিট ১০ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ১৭ পাওলেনশাঙনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মঙজিল থাখি। গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনিট ২০ চৎপদা টিমশিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৭ পাওলেনলালনা গোল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না লম্বা মান্না শান্নরকখিবনা গোল চন্নবা এটেক কয়া তৌন্নখি। ইচেল ক্লব দিবোংনা শোত্তরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন দুনা শান্নরক খ্রবসু পি এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা হৈ শীংনা শান্নরকখিবনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু হনে দাকপা ঙমখিদে।

পি এফ সিনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা এটেক কয়া তৌখ্রবসু ইচেল ক্লব দিবোংগী গোল কিপ্পরনা গোল কিপ্পরনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমহনখিদে।

ইচেল ক্লব দিবোংনা হোৎনবা লেপ্তুনা শান্নরকখিবগী মহৈ ওইনা মেটচকী মিনিট ৬৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ ন্যুতোননা গোল অমা হন্দোক্কুনা ১-২ দা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোয়বা ফাওবদা ইচেল ক্লব দিবোংনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি পি এফ সিগী মখুৎতা ২-১ দা মায়থিবা নঙহৌখি।

মেটচ অসিদা পি এফ সিগী জর্সি নম্বর ১১ ৱিলিয়মদা মেটচকী মিনিট ৫৮ চৎপদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল তৌরুমগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি জে াইল ভর্টে, কে ঐচ নিলাকমল, জোইল চোঙলোয় অমদি এল অনিলনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# তামিল নাদুনা ৱুমেন'স ষ্টেট লীগকী অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইরগনি

চেন্নাই, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সি)ঃ টিম ৭ না শান্নগদবা ৱুমেন'স ষ্টেট লীগতা তামিল নাদুনা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইরগনি।

ৱুমেন'স ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি- সেটু এফ সি, সেটু এফ এ, মিনরভা এফ সি, থামিঝাচি এফ সি, ফুটবোল প্লস, ৱো ৱুমেন অমসুং তামিল নাদু পুলিস টিমনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা টিমনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান ৱুমেন লীগতা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগকী চেম্পিয়ন ওইখিবা সেটুগী টিম অনী ৱুমেন ষ্টেট লগী অসিদা শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচশিং দিসেম্বর ১৯ দগী ৩১ ফাওবা শান্নগনি । মখা তাবা মেটচশিং ইন্টর য়ুনির্ভসিটি টুর্নামেন্ট অমসুং খেলো ইন্দিয়া গেমস লোয়রবা মতুং মথং চহী জনুৱারি থাগী অরোয়বা শরুক্তা পাঙথোক্লগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com